হুইয়েন লানপাও

তরামাথোইশুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল ২০১৭ হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াবা লাকখিবা চীফ মিনিষ্টরনা সেল্যুট পীবগী শক্তম

লামায় ৩

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী নীনি চনবা নুমিৎতা বোটদা পাঙথোকপা জগোই-ঈশৈগী থৌরমদা শরুক য়াবা লাকখিবী মিনিষ্টর নেমচা কিপগেনদা খূদোল তম্বগী শক্তম

অনীশুবা টি এস আরকী জৱান অমনা ত্রিপুরাদা পাউমী অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পাউমীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌবা

প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ উনদুনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোল খঙহল্লু হায়না তকশিল্লুরে হায়না পাউ তল্লিবা কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংগী শক্তম

লামায় ১

Vol. 41, Issue No.239 | শগোলশেন, পোইনুগী ৫নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, November 23, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

নুমিৎ নীনি চখরকপা নোর্থ ইষ্ট দিভলপমেন্ট সম্মিট লোইশিনখ্রে

প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটি অমা লিংবা য়াওনা এম ও য়ু ৩৯ খূৎয়েক পীনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচ এন এস):

তোঙান-তোঙানবা কম্পেনি/ফার্ম অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকা হেল্‌থ ক্যের, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, স্কিল দিভলপমেন্ট অমদি এগ্রিকলচরনচিংবগী মতাংদা এম ও য়ু ৩৯ সাইন তৌনখিবগা লোয়নননা নুমিৎ নীনি চখরকপা নোর্থ ইষ্ট দিভলপমেন্ট সম্মিট লোইশিনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ভেলিদিক্টরি ফঙ্কসনদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়নননা হেল্‌থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, দোনর সেক্রেটরি নবিন বর্মা, য়ুনিয়ন টুরিজম সেক্রেটরি রসমি বর্মা, কৈরাও এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এল রামেশ্বর, মণিপুর ইনফ্রাষ্ট্রকচর এন্দ দিভলপমেন্ট এজেন্সী (এম আই দি এ)গী ভাইস চ্যেরমেন এম অশিনিকুমার অমসুং এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হোম)সু ওইরিবা এম আই দি এগী চীফ এগজিক্যুটিব ওফিসর ডো. জে সুরেশবাবুনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াবু এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী ‘হব লেন্দ’ ওইহন্নবগী মচাক-মথুমশিং খঙদোক্লবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

নীংশিংনিংঙাই ওইবা থৌরম অসিনা মরম ওইরগা গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট কম্পেনিশিং খূৎশম্নরগা ষ্টেট অসিগী পোটেন্সিএল পূম্নমক খঙদোকপগা লোয়নননা মীয়ামগী অপাম্বা ফংহন্নবগী অহানবা খোঙথাং ওইরগনি।

নুমিৎ নীনিগী ওইবা সম্মিটতা ট্রেদ অমদি ইনভেষ্টমেন্ট, কনেক্টিভিটি অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট, রিজন অসিগী টুরিজম চাউখৎহনবা, স্কিল দিভলপমেন্ট, কেপাসিটি বিল্ডিং অমসুং ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপকী মতাংদা সেসন মঙা পাঙথোকখিবগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা হরাওবা ফোঙদোকখি।

সম্মিট অসিনা মরম ওইরগা অৱাং-নোংপোক লমদম মরুওইনা মণিপুরগী লল্লোন-ইতিক্কী মওং শেমদোকপগা লোয়নননা ইনভাইরোনমেন্টকী ফীভম ফগৎহনবা ঙল্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সম্মিট লোইশিনবা নুমিৎতা ঙসি ষ্টেট ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা অগরৱূদ প্লান্টেসন, ইসেন্সিএল ওইল প্রদক্সন অমসুং ওর্কিদশিং কম্মর্সিএল প্রদক্সন তৌনবগী মতাংদা ঐচ এস এম এম গ্রুপকা এম ও য়ু মরি সাইন তৌনখি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা ৱা-দগী বাইও ফ্যুএল পুথোক্লবগী মতাংদা এন আর এলগা এম ও য়ু অমসু সাইন ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

ORTH EAST DEVELOPMENT SUMMIT

ফাইনান্স কম্মিসন শেম্বা কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২২ (এজেন্সী):

লৈবাক্কী টেক্স রিছোর্সশিং য়েংশিনবগা লোয়নননা ষ্টেটশিংগী মরক্তা য়েন্থোক্লবগী পান্থে পুথোক্লবগীদমক য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসন শেম্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফম লোইরবা মতুংদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খি, কম্মিসনগী মেম্বরশিং অমসুং মসিগী টার্ম ওফ রিফরেন্সকী মতাংদা নোটিফিকেসন অমা অথুবা মতমদা থোক্লগনি। নৌনা শেমগদৌরিবা ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসননা কুমজা ২০২০ গী এপ্রিল ১গী মমাঙদা রেকমেন্দেসন পীখৎলক্কদবনি। মহৌশানা ফাইনান্স কম্মিসননা চহী ২গী মনুংদা রেকমেন্দেসন পীবগী থৌওং চৎনদুনা লাকখি।

কন্সটিটুসনগী আর্টিকল ২৮০ গী মতুংইন্না সেন্টর অমদি ষ্টেটশিংগী মরক্তা টেক্স য়েন্থোক্লবগী মতাংদা কম্মিসননা রেকমেন্দ তৌরক্কদবনি।

হন্দক্কী মতাং অসিদদি জুলাইদগী চৎনবা হৌখ্রবা গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি)না সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং রিছোর্সতা পীবা চৈথেং য়েংশিনবগা লোয়নননা রেকমেন্দেসন পীরক্কদবনি হায়রি।

অনৌবা ফাইনান্স কম্মিসন অসি কনানা লুচিংগদগে হায়বগী মতাংদা অরুন ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

ফ্লাইট মিনিট ৪৫ থেংথবগী নুপী ১না মিনিষ্টরদা তকখৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২(ঐচ এন এস):

য়াম্না নুংশিননা লোয়নরকপা মবুং লৈখিদবগী পাউ তাবদা মথৌ মঙম পাঙথোকপা য়াওবা নংননবগীদমক টিক্কেট কল্লগা পাটনাদা পাইননবগীদমক ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলগা মতম চানা ফ্লাইট পাইদবদগী শঙাই ফেষ্টিবেলগী থৌরম য়াওবা লাকপা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমদা নুপী অদুনা ওনশিল্লগা চৈখ্রে।

শঙাই ফেষ্টিবেলগী থৌরম য়াওবা লাকখিবা য়ুনিয়ন টুরিজম মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) অলফোন্স কানন্‌থমবু হরাও তয়াম্না ওকপা লোইরদুনা থোরকপদা নুপী অদুনা মিনিষ্টরদা ওনশিল্লগা ফ্লাইট থেংহনবগী মরম করিগীনো হায়না হংবগী ভিদিও ফুটেজশিং ঙরাং সোসল মীদিয়াদা থাগৎনরকখি।

সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকপা ভিদিও ফুটেজ অদুদা নুপী অদুনা মহাক ডোক্টরনি হায়না মশক তাকই। মহাক অরুবা থবক অমগীদমক এরোপ্লেন তোংদুনা চৎকদবনি। অদুবু, মিনিট ৪৫ হেন্না ফ্লাইট থেংথহনবনা মহাক্কী থবক অদুদা খূদোংচাদবা থোকহল্লে। মসিগী মরম পীরমগদবনি হায়না দিমান্দ তৌবা ৱাফমশিং উৎলকখি।

নুপী অদু রিজনেল ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)তা গাইনিগী পি জি তৌরিবী ডোক্টর নিরালানি হায়রি। নুপী অদুনা ফ্লাইট থেংবগী মরম অদু ভি আই পিশিং শঙাই ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা এয়রপোর্টতা থুংলবগী ওইগনি হায়না লৌবা মাল্লি।

অদুমকপু, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অদুনা ফ্লাইট থেংবগী মরম অদু মহাক্না নত্তে। হীরম অদুগী মতাংদা মহাক্তি করিমত্তা খঙবা লৈতে হায়না কয়ারক হন্না শেংদোকখি। অদুবু, ডোক্টর নুপী অদুনা মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কা লাকমিন্নরিবা কাঙবু অদুদা থীনা চৈদুনা মরম পীননবা তকশিনখি।

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৭.৬৮

দীজল : লিটরদা লুপা ৫৬.৫৫

থাও চিংবা লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ : ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন (আই ও সী) না মালোম দিপোদা বল্ক পি ও এল ট্রান্সপোর্টেসন তৌহন্নবগীদমক অনৌবা ট্রান্সপোর্টরশিং খন্ননবা পাঙথোক্কদবা টেন্দরগা মরী লৈননা পীরিবা ক্রাইটেরিয়াশিংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম প্রদক্টস ট্রান্সপোর্টর এসোসিএসন্না ঙসি নুমিদাংৱাই-রমদগী এসোসিএসন অসিগী গাড়ীশিংনা থাও চিংবা লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে।

অদুমকপু ওল মণিপুর দিলর ট্রান্সপোর্টর এসোসিএসন অমদি অতোপ্পা ট্রান্সপোর্টর এসোসিএসন অমদি খোঙজং অসিদা শৌগৎলোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী নির্মলা হোটেলদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পাউমীশিংগা উনবা অমদা ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম প্রদক্টস ট্রান্সপোর্টর এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	76.422358
US Dollar	64.804924
British Pound	86.018606
Australian Dollar	49.159141
Chinese Yuan Renminbi	9.803917
Japanese Yen	0.580316
Malaysian Ringgit	15.787230
Norwegian Krone	7.903987
Singapore Dollar	48.022313
South Korean Won	0.059608
Swedish Krona	7.724004
Turkish Lira	16.412845
Myanmar Kyat	0.04749
Bangladesh Taka	0.77075

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30053.48
Mumbai	–	Rs 30898.40
Delhi	–	Rs 30374.33
Kolkata	–	Rs 31315.51

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৩.৯৭ °C	১১.৪০ °C
চান্দেল	২৭.৩৭ °C	১৪.৪১ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	২৬.৩৪ °C	১১.৬৪ °C
সেনাপতি	২২.২৬ °C	৯.৩৯ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	২৪.৬৭ °C	১১.৪৭ °C
উখ্রুল	২১.০০ °C	১০.৬৩ °C
মণিপুর	২৭.৩৭ °C	৯.৩৯ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

প্রসিদেন্টনা সুভাস চন্দ্রগী মীতমদা লৈ কৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২(ঐচ এন এস):

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা ঙসি মোইরাংদা লৈবা ইন্দিয়ন নেসনল আর্মি মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা চৎতুনা নেতাজি সুভাস চন্দ্র বোদকী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

কুমজা ১৯৪৪ গী এপ্রিল ১৪ দা ট্রাইকলর ফ্লেগ য়ুংখিবা মফম অদুদা ঙসি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা চৎতুনা মফম অদুদা লৈ-শু কৎখি। আই এন এ মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা লৈবা নেতাজি সুভাস চন্দ্র বোসকী মীতমদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা লৈ-শু কৎখিবা অদুদা ফার্ষ্ট লেদি সবিতা কোবিন্দ, মণিপুরগী গভর্ণর ডো. নজমা হেপ্তুলা অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনসু লোয়নখি। কেবিনেট মিনিষ্টর অমদি এম এল এ কয়াসু শরুক য়াখি।

আই এন এ মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা লৈবা ম্যুজিয়মদসু প্রসিদেন্টনা চঙদুনা য়েংখি। আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দদা ম্যুজিয়ম অদুগী মতাংদা অমদি আই এন এ লাম্মী, সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারগী মতমদা ইম্ফালদা শোক্লখিবা লানফমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোল খঙহল্লু হায়না কোংগ্রেসনা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দদা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২(ঐচ এন এস):

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোল খঙহল্লু হায়বা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ৱারোলশিং য়াওবা মেমোরেন্দম অমা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মায়কৈদগী ঙসি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট উনদুনা মেমোরেন্দম পীশিনবগা লোয়নননা তকশিনখ্রে।

কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লীদর ও ইবোবীনা হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোলশিং খঙহল্লু হায়বা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া ঙসি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে।

এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট অমদি সী এল পি লীদর মণিপুরনা খূৎয়েক পীদুনা প্রসিদেন্টতা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা মপূং ওইবা ৱাফমশিংদি এন দি এ লৈঙাক্লা পব্লিক পোলিসিশিং ট্রান্সপরেন্সি ওইনা পায়খৎকনি হায়না লাউথোক্তুনা লৈখ্রবনি। অদুবু কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা এন এস সী এন (আই-এম)গা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোলশিং খঙহন্দনা থল্লি। মসিনা চিংনবা কয়া পোকহল্লি। মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি, টেরিটোরিএল, এদমিনিষ্ট্রেসন, ফাইনান্সিএল, কলচরেল অমদি পোলিটিকেলদা থ্রেট তৌরকপা খূদিংমক য়াবা ঙল্লোই। মণিপুরগী ঙসিগী ফীভম অসিদা অদুমক লৈগদবনি।

মণিপুরগী হান্নদগী লাক্লিবা পোলিটিকেল অমদি ইকনমিক ষ্ট্রকচরদা কায়হন্নবা হোৎনরল্লবদি মদু অফবা খোঙথাং ওইরোই। মদুনা রিজন অসিদা অকায়বা কয়া লাক্কনি। প্রসিদেন্ট ওই ইন্দিয়াগী খোঙচৎ অসিনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম)গী মরক্তা তৌনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোলশিং খঙবা হায়বসি মণিপুরদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগী রাইটনি হায়নসু মখা তারি।

ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা, সী এল পি লীদর ও ইবোবীনা হায়, ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরকপা মতমদা মণিপুরগী শক্তমদা শোকহনবা য়ারোই। তুংদা মণিপুরগী শক্তম কায়রকপা য়াবা ফীভমশিংসু চৎনবা য়ারোই।

এন পি এফকী মেনিফেষ্টোদা মণিপুরগী শক্তম শোকপা য়াবা ৱাফম য়াওরি। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

ষ্টেটমেন্ট ফাইল তৌগদবনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২(ঐচ এন এস):

ষ্টেট ওর্গনাইজ সর্ভিস, এম সী এস, এম পি এস, এম এফ এস, এম এস এস, এস দি সী, ঈ ওশিংগী এন্যুএল প্রোপর্টি রিটর্ন ষ্টেটমেন্ট পীবা অসি মেন্দেটরি ওইরগনি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিব রিফোর্মসনা থোকপা মেমোরেন্দম অমনা হায়রি।

চহীগী ওইবা প্রোপর্টি রিটর্ন ষ্টেটমেন্ট অসি চৎলিবা শেনবা চহী ২০১৭-১৮ দগী হৌনা ফাইল তৌবা হৌগদবনি। এ পি আরসু দিজিটেল্লি কম্পাইল তৌগনি। হীরম অসিগী রেকোর্দশিং গভর্ণমেন্টকী ৱেবাইটতা ...*মখা লামায় ৩ কলম১*

মণিপুরদা মায়োক্লবীগী শিনফম মাঙশিল্লক্লে

গ্যানন্দ নাওরেম

ককচীং, নবেম্বর ২২(ঐচ এন এস): হোস্পিটাল মরাং কায়দ্রিঙৈ, ডোক্টর অমসুং নর্স মশীং য়ামদ্রিঙৈদা অঙাং উন্নবগী থবক পূম্নমক মায়োক্লবীশিংনা তৌরগা লাকখি। অদুবু হৌজিক্তি মায়োক্লবীগী শিনফম অসি মাঙশিল্লক্লে।

অঙাং উন্নবদা হৈশিংলবা নর্স অমনা তৌবগুম মায়োক্লবী অমনা অঙাং উন্নবগী মতম, অঙাং উন্নবদা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা পান্থে অমসুং লু-নান্‌বগী মতৌশিং মায়োক্লবীশিংনা খঙলম্মী। শিনফম অসি ডোক্টর অমা নৎত্রগা নর্স অমদগী মখোয়না তমহৌবা নত্তে। থেংখাঙ কয়ারক্তা অঙাং উন্নবদা মায়োক্লবী ওইরকখ্রবশিংদগী মথং-মথং তমহৌরগা ওইরকখিবনি।

মতম অমদদি মশা লূম্লবী নুপী অমা অঙাং উন্নরমদায় য়ৌরকপদা মায়োক্লবী অমগী মনাক্তা চৎতুনা করম্বা মতমদা অঙাং উন্নগদগে অমসুং করি খূদোংচাদবা লৈগদগে হায়বনচিংবা তানবা চৎনরম্মী। ডোক্টরদা চৎপগুম্না মশা ঙম্লক্ত্রে হায়বদা য়ূম অদুদা মায়োক্লবী কৌদুনা অঙাং উন্নবগী চৎনবী লৈরম্মী।

অঙাং উন্নবা, খোইরী কক্‌পা, অঙাং উন্নরিবী মমা অদুগী হকচাং ফগৎননবা হোৎনবা হায়বসি মায়োক্লবীগী থৌদাংনি। থৌদাং অসিগী মথক্তা থাজনবী অমগী মখা পোন্না ইপান থাবা নুমিৎতা কোরৌ অঙানবা খুরুম্বা, পিথ্রাই-খোংদ্রাইবী তায়নবনচিংবা লাই-তিনগী থবকশিংসু মায়োক্লবীশিংনা পাঙথোকই। মরম অদুনা মতম অমদদি মায়োক্লবী হায়বা শিনফম অসি নুপীশিংগীদমক্তদি য়াম্না মরুওইবা শীনফম ওইরম্মী।

মতম অমদা মায়োক্লবী ওইনা মীয়ামগী থৌগল তৌরম্বী ককচীং ৱাইরি সেনাপটি লৈকায়দগী মশাগী চহী ৮৫ রোম শুরবী ইমা থোইবীগা পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা মহাক্না হায়খি, হৌজিক্তি মায়োক্লবীগী শিনফম অসি অয়াম্বা মফমদা চন্নফম লৈরক্ত্রে। চীংনুং-মানুংদসু অয়াম্বনা অঙাং উন্নবগী থবকশিং অসি নর্সনা শিনখ্রে। করিগুম্বা মতমদা আশা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

নুপী শাবী ককচীং কোমোল রিমসতা লায়কন্নরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২(ঐচ এন এস):

শুমাঙ লীলাগী লম্‌দা নুপী শাদুনা মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাকখিবা থিংনাম নিলকমল (ককচীং কোমোল) মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা হৌজিক-হৌজিক রিমস হোস্পিটালদা লায়কন্নরি।

তোঙান-তোঙানবা লীলা পার্টিদা য়াওদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরকখিবা মশাগী চহী ৬৫ রোম শুরবা কোমোল ককচীং খুনৌ অঙোম লৈকায়দা পোকখিবনি। একাট্রেন হায়না খঙনবা শুমাঙ লীলাগী কাঙলূপ্তা য়াওদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরম্বদগী মশা ঙমদে হায়দুনা রিমস হোস্পিটালদা লায়েংবদা কিদনি অনীমক মথৌ নীংথিনা তৌদ্রে হায়বা খঙলকখিবনি। মহাক হৌজিক-হৌজিক রিমসকী মেল মেদিসিন ৱার্দকী বেদ নম্বর ১৬ তা লায়েংদুনা লৈরি।

ইমুং-মনুংদগী ফংবা পাউনা হায়, মহাক কিদনি অনীমক শোকপনা মরম ওইরগা ইম্ফালদা লৈবা লন্নাইগী অনা-লায়েংশঙ অমদা ওপরেসন তৌদুনা নুমিৎ ৫ নি লৈরল্লবা মতুংদা থা অমরোম য়ূমদা পুথরগা লৈরমখি। মশাগী ফীভম ফগৎলকউ হায়বা য়াদবদগী অমুক হন্না নুমিৎ ৫ নিগী মমাঙদগী রিমস হোস্পিটালদা মখা তানা লায়েংলকখিবনি। রিমসতা লৈরকপা চয়োল অমরোম ফারক্লে। ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রনা মরম ওইরদুনা মমিং লৈরবা লীলাগী আর্টিষ্ট অসি লায়েংবদা শেল-থুমগী খূদোংচাদবা মায়োক্লুরে।

শুমাঙ লীলা হায়বসি মণিপুরগী মপুং ফারবা আর্ট ফোর্ম অমনি। মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা আর্ট ফোর্ম ওইবা মরম্না শুমাঙ লীলাগী খূথাংদা কান্নরবা মেসেজ কয়ামরুম মীয়ামদা পীবা ঙম্মী। ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

HL POLL

Q : N Biren na luchingba leingak ashi senja thumja toudaba government ni hainaribasi yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Sangai Festivalgi fajanaba sembada Shaheed Minar, Nupilal Memorial Complex yaodabasi yaningbra ?

Yes 24% No 76%

অস! লোইরেহে!

মপানগী লমকোয়বশিং লাকহন্নবনেনা লাংলিবসিবু কয়াম লাক্লবগে?

ꯃꯄꯥꯟꯒꯤ ꯂꯝꯀꯣꯏꯕꯁꯤꯡ ꯂꯥꯛꯍꯟꯅꯕꯅꯦꯅꯥ ꯂꯥꯡꯂꯤꯕꯁꯤꯕꯨ ꯀꯌꯥꯝ ꯂꯥꯛꯂꯕꯒꯦ?



লাক্তি লাকইবু হায়দোক্লেকই...!

ꯂꯥꯛꯇꯤ ꯂꯥꯛꯀꯏꯕꯨ ꯍꯥꯌꯗꯣꯛꯂꯛꯀꯏ...!

লাই য়েকপনা হিংনবগী লম্বী শেম্বা য়াই : মীনা লাইশ্রম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (ঐচএনএস) :

মণিপুরদা লাই য়েকপা হৈবা ময়াম অমা লৈরবসু লাই য়েকপগী শিনফমনা হিংননবগী লম্বী শেম্বা য়াই হায়বসিদি কয়া থাজনদে হায়না মীনা লাইশ্রমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোকখ্রে।

মীনা লাইশ্রম শঙাই ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা থা অসিগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা *অনীরকশুবা ইন্টরনেসনল ইম্ফাল আর্ট কেম্প* ২০১৭ তা মালেমগী মমিং লৈরবা আর্টিষ্টশিংগী মরক্তা নাইতোম য়াওরি। মশাগী চহী ৩১ রোম শুরবী মীনা লাইশ্রম ইম্ফালগী তেরা য়েংখোম লৈরক্তগীনি। মহাক্কী অপোকপা লাইশ্রম ইবোমচা লৈখিদ্রে। মহাক্কী অপোকপীগী মিং লাইশ্রম ওংবী কমলা কৌই। তাম্বুল নিংঙোলনি। মখোয় মচিন-মনাও মরি পোকপগী মনুংদা মহাক্না ইতোন তোনবীনি।

মণিপুর টুরিজম অমদি নোর্থ ইষ্ট ব্রদরস ইন্টরটেনমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদকা খূৎশম্নদুনা শীনবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহাক্না হায়খি, মহাক্কী অপোকপী ফি লোনবা য়াম্না হৈ। ইমানা খোইজংনা ফি লোনবদু ঐহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদগী কুপ্না য়েংলকপনা মরম ওইরদুনা পুংকক্ চাওরকপা মতমদদি ইমাগী শিনফম অদু ঐহাকসু পায়বা ঙম্লকখি। খঙদবা মখৈ ইমাদগী তমদুনা ফি লোনবগী শিনফমসু হৈ।

মহাক খুম্বোংদা লৈবা নবোদায়া বিদ্যালায়াদা লাইরিক তম্লকখি। বিদ্যালায়া অসিগী ওজা নোরেননা মহাকপু গাইদ তৌবীদুনা লাই য়েকপগী শিনফম অসিগী লময়ানবা ওইবীরকখি। মতুং তারকপদা জামিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়া য়ুনিভর্সিটিদা বেচেলর ওফ ফাইন আর্টস তম্লকখি। মহাক দিল্লিদা চহী ১৫ রোম লৈরুরে। লাই য়েকপগী কেম্প অসি য়াওননবগীদমক মণিপুরদা থোক্লকপনি।

নহা ওইরিবা আর্টিষ্টশিংনদি লাই য়েকপা হায়বসি শিনফম অমা ওইনা লৌবা ঙমদে। অদুবু, তশেংনা লাই য়েকপা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

LOAN AVAILABLE

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

➤ Vehicle Loan
➤ Pension Loan
➤ Service Loan
➤ T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan

হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মঙাংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।

● 100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/4725/11Nov-10Dec.

ঈ-পাঙ্গা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫